# “ঈং-তপ্পগী লম্বীদি ময়েক শেংদরি”

## ইমা লৈবাক্কীদমক্তনি

### উশম ধরমেন্দ্র



মণিপুরদা খুন্দারিবা য়েলহৌমী ওইরিবা মীতৈ ঐখোয় পূম্বনা ঈং-তপ্পা পাম্মী। মীতৈশিংদা নত্তনা লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা তোঙান তোঙানবা ফূরুপ কাঙলূপশিংসু অথুবা মতমদা লমদমসিদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লক্তুনা মহৌশাগী পূন্সি মরেলদুদা লেনবা পূন্নমক পাম্নরমগনি। ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লকপা পামদ্রিবা হায়ববু ওইরোইদবা দিমান্দ তান্দুনা মীয়াম্বু ৱাহল্লিবা ফজবী লোন্দাদা অহলশিংনা হায়বা ‘লমহেন-তুহেনবা’ কুকি টেররিষ্টশিং অসিদা মঙাইরন্নগনি। দেমোক্রেসি চৎপা লৈবাক্কী মীয়াম্নি, তান্নীংবা দিমান্দ তানবা য়াই হায়দুনা মখোয়গী মপা-মপুগী লমসু নত্তবা মণিপুরসিদা ‘সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেশন’ কায়না তাল্লদনা। য়ুনিয়ন লৈঙাক্তা তানগদবা দিমান্দু ষ্টেট লৈঙাক্তা তান্দুনা মীতৈদা জিনোসাইদ কেম্প্যেন চত্থরি। মণিপুরগী মীহুৎ ওইরিবা সাইকোট এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ পাওলিয়নলালনা জিরিবামগী অঙাং অহুম য়াওনা মীওই তরুকপু তমথীনা ওৎপী-নৈবীরগা হাৎখিবগী থৌদোকপু লমন খুন্বনি হায়বা ফাওবা ঙম্মী। কুকি এম এল এ, এল এম খৌতেনা জি রিদা সী আর পি এফনা হাৎখিবা কুকি টেররিষ্ট ১১দুবু মারটর্সনি হায়বা ফাওবা ঙম্মী। আইনবু থুগায়রিবা মখোয়সি নহান্না ইন্দিয়াগী সিক্যুরিটিদা শীংনৈ হায়দুনা এন এস এ পান্দুনা ফাবা য়ারবনি। অদুবু ইন্দিয়াগী আইন মখোঙ য়াম্না তপ্পী।

ইন্দিয়াগী আইন অসি কুকি জো ফূরুপকী মীওইশিংগী মশক নাইবা লুচিংবশিংনা শীংনদুনা তৌনীং-তৌনীংবতা তৌরি। মিজোরামগী চীফ মিনিষ্টর লালদুহোমানা ঙাইহাক লৈতনা ইন্দিয়াগী অপূনববু শীংনরি। ম্যান্মার, বাংলাদেশ অমসুং ইন্দিয়াগী মখোয়গী কাঙলূপ্না খুন্দারিবা মফমশিং পুনশিন্দুনা লৈবাক অমা শেম্বগী ৱাফম ঙাইহাক লৈতনা মথী ফোংলি। ম্যান্মারদগী লালহৌবা লুচিংবশিং পুনশিন্নবদসু অচৌবা থৌদাং লৌরি। ইন্দিয়া-ম্যান্মার অনীগী লোন্নবগী খমখৈ শন্বল খাবগী মায়োক্তা ফোঙনা লেপ্লি। অসিগুম্বা লুচিংবশিং অসিনা মথৌ শঙলিবা লমদমসিদা ওপরেট তৌরিবা কোটু অমদি আই টি এল এফনা মণিপুর লৈঙাকপু ফোঙনা শীংনৈ অমসুং ঙসি প্রসিদেন্টস রুলগী গভর্ণরনা পায়খৎলক্লিবা ঈং-তপ্পগী খোঙজং পূন্নমক শীংনরি। মখোয়না মফমসিদা ঈরাং হেক থোকহল্লকখিবা পুংফমদুদগী লাউদুনা লাকখিবনি ‘সোল্যুশন ফর্ষ্ট পীস লেটর’ হায়দুনা। সিপরেট এদমিনষ্ট্রেশন পীদ্রিমখৈ ঈং-তপ্পা লৈরোই সিনি। ঙকখ্রবা জীব কাঙলূপ অমনি মখোয়সি। ম্যান্মারদগী লাকপসু কুইদ্রিবা মখোয়না মণিপুরসিবু মখোয়গী মপা-মপুগী হৌরকফম লমদমনি কাইনসু ক্লেম তৌরি। মখোয়সি কয়ামুক য়াম্না মচিন থীবগে হায়ববু ইন্দিজিনস ট্রাইবেল লিদরস ফোরম (আই টি এল এফ) হায়বসিদগী অদুমক হৌরে। মচিন থীবা শেমজিন শাজিনবা ময়ামদুনা ওইদবা হিষ্ট্রি শেমগৎতুনা মালেমগী মীয়ামদা অচুম্বা শাদুনা উৎনবা হোৎনৈ। অচুম্বা শানবা হোৎনবদা অফাওবা উকিল নেকপদা, মীদিয়াগী মীওই লৈবদা লুপা ক্রোর চামঙাগী মথক্তা তিংখ্রবনি হায়বসি পূন্নমক্না হায়নরি। ওইদবা অরানবদু হঞ্জিন-হঞ্জিন হায়জিল্লবদি অদুমক চুমজরক্কনি হায়বা ৱাফমদুনি মখোয়গীসি। ঈরাং য়ারিবমখৈ থোকহনবা, ঈরাং থোকহল্লগা ঈং-তপ্পা লৈহন্দ্রগা মখোয়গী দিমান্দ তানবা মসিনি।

মণিপুরগী গভর্ণরনা ঈং-তপ্পা পুরক্নবগী খোঙথাং ওইনা আইন্না য়াদবা মওংদা পায়রিবা অমদি পুলিসতগী লাকখিবা আর্ম এন্দ এম্যুনিশনশিং পীখৎলক্নবা ওর্দর তৌরকখিবগী মতুংইন্না তম্পাক্কী লমদগী অরাম্বাই তেঙ্গোলগী তেঙ্গোল্লোইশিং অমসুং অতৈ খুল ঙাকপশিংগী খূৎশু-খূৎলায়শিং পীখৎনখ্রে। কুকিশিংগী মায়কৈদগীসু মশীংদি য়ামদনা খরদি পীখৎনখি। লৈবাক মচা তাদবা ঈং-তপ্পা থুগাইবা পান্বা মখোয়না মদুম্না তৌথোরকপদা করিসু ঙক্লিংঙাই ওইদে। ইন্দিয়াগী আইনবু ফোঙনা শীংনরিবা মখোয়নি। মখোয়গী কাঙবুনা ঙম্না তারিবা মাখোয়গী লমনি হায়দুনা ক্লেম তৌজরিবা দিষ্ট্রিক্ট মঙা চুড়াচান্দপুর, ফেরজোল, কাংপোকপী, চান্দেল অমসুং তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টশিং অসিদা মখোয়না তৌনীং-তৌনীংবতা তৌরি আইনবু মখূৎনা পায়দুনা শান্নরি। মসি য়ুনিয়ন লৈঙাক্কী মখাদা চলাইরিবা প্রসিদেন্টস রুলনা অকনবা মীৎয়েং চঙফম থোকই। আইন লৈরি হায়বদু খঙহনগদবনি।

ঈং-তপ্পা পামজবা তংদু লৈতানা হিংজবা পামজবা মীতৈশিংনা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়রসনা মার্চ ৮দগী মণিপুরগী নেশনল হায়ৱেশিংদা ফ্রী মুভমেন্ট ওইহল্লগনি হায়বদু খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈনখি। মদুগী মতুংইন্না মণিপুরগী প্রসিদেন্টস রুল লৈঙাক্না ইম্ফালদগী কাংপোকপী ফাওরগা সেনাপতি য়ৌনবা অমসুং ইম্ফালদগী বিষ্ণুপুর ফাওরগা চুড়াচান্দপুর য়ৌনবা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বস অনী লমথাখিবনি। অদুবু কাংপোকপীগী গম্পিফাই এরিয়া য়ৌরকপদা য়াল্লবা কুকি মীয়াম্না নূঙনা থোমজিল্লক্তুনা অমাঙ-অতা থোকহনখি। মদুবু লাকশিন্নবা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনসু টিয়র গ্যাস কয়া কাপখি। মরক্তুদা ‘আইদিয়া ওফ মণিপুর’ দা থাজবা অপূনবগী শক্তম শাগৎচরিবা মীতৈ ফূরুপকী মীওইশিংনা ফোক্সকী লমজিং মখাদা সেনাপতি য়ৌনা চৎননবা গাড়ী কয়া থৌরাং তৌনদুনা সেনাপতি য়ৌনবা চঙশিন্নরকখিবদু সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মথংশিংনা ইম্ফাল অমসুং অৱাং সেকমাইদা থিংদুনা অপনবা পীখি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীদি চৎকে হায়রবসু লৈঙাক্না শিল্লিবসিদা ওইনা চৎলু তোঙান্না চৎকনু অমদি ঈং-তপ্পগী খোঙচৎ ওইরবসু পর্মিশন লৌগদবনি হায়খি। মরকসিদা ফ্রী মুভমেন্টসু হায়রগা চৎপসু য়াহন্দ্রিবসি করিগীনো হায়বগী ৱাহং মীয়াম্না হংনরক্লি। ইশাগী ইরমদমদা ইনিং তম্না চৎচবা ফাওবা ফংদ্রবদি লৈবাকসিগী সিটিজন অমা ওইরুবগী ৱাহন্থোক লৈরিব্রা। টেররিষ্টকী থৌওং তৌথোরক্লিবা ফ্রী মুভমেন্ট য়ারোই হায়দুনা লৈঙাকপু ফোংনা শীংনদুনা গাড়ী মৈ থারিবা, নূঙজাও থাদদুনা লম্বী থিংলিবা, নাওরি কাপশিল্লক্লিবা, নোংমৈ ফাওবা য়াওরক্লিবা পূন্নমকসিবু য়ুনিয়ন লৈঙাক্না লাকশিন্দনা থল্লিবসি করিগীনো হায়বা ৱাহংসিনি মীয়াম্না হংলিবা।

লোইশিল্লকপদা, মীতৈ ফূরুপ্না ‘আইদিয়া ওফ মণিপুর’ দা চঙশিল্লি। কুকিশিংনা ওইরোইদবা দিমান্দ তান্দুনা লৈবাক ঈরাং হৌহল্লি। য়ুনিয়ন লৈঙাক্না চানবীনবা, নুংশিনবনি হায়দুনা ইন্দিয়াগী ফিরাল মফম মতম চাদনা পায়দুনা শীজিন্নৈ। নেশনল এন্থেম মথোং খঙদনা শকই। মখোয়গী অপঙবা থৌওংদু উৎথোকচৈ। ইন্দিয়াগী হোম মিনিষ্টর অমগী ওর্দরবু ইকায়খুম্নদবা, টেররিষ্টকী থৌওং তৌথোরকপা কুকিশিংগী মথক্তা লৈঙাক্না অকনবা এক্সন লৌখৎকদবনি। মীতৈ মীয়াম্না অথুবা মতমদা ঈং-তপ্পা হঞ্জিল্লকপা পাম্মী। অদুবু ঈং-তপ্পা লাক্নবগী লম্বীদি ময়েক ইশেং শেংদরি হায়বা ৱাফমসি থমজরি। ●

# মালেমগী ৱাখল ৱাংথোইবশিং - ১২

## চন্দ্রশেখর ভেনকতা রমন (সী ভি রমন) নবেম্বর ৭, ১৮৮৮- নবেম্বর ২১, ১৯৭০

### - রঞ্জিৎ নিংথৌজা -



রমনগী মপাসি মাগী পোকফম টামিল নাদুগী ত্রিচিনোপোলি মনাক্তা লৈবা থিরুভানয়াকভল কৌবা খুঙ্গং মচা অদুগী স্কুল অমগী ওজানি। মমৈদা কন্না হোৎনদুনা মদ্রাজগী খৃষ্টিয়ান কোলেজ দা ফিজিক্সকী লেকচরর ওইখি। মমা পার্বতি অমলসু সংস্কৃট স্কোলর অমগী মচানি। পার্বতিবু পোকপা মপাদুসু ইচম চম্বা মীশক ওইখিদে। মশাগী চহী ১৫ শুরকপদা লো তম্লিংমনখ্রদুনা ত্রিচিনোপোলিদগী বেঙ্গলদা লৈবা নাডিয়া তান্না মখোঙনা চৎখি। চহী অমা লৈরগা অমুকসু মখোঙনা হল্লকখি। মশাগী সহরদা লৈবা কোর্টশিংদা প্রেক্টিস তৌখি। রমন কৌবা মীওইবা অমগী পূন্সি ঈচেল অসিদা করম্বা ঈগী ঈথিলদগী শমথরকপনো হায়বসি নীংশিংফম থোকপা অমনি। মরমদি মাগী এদভেঞ্চরস অমদি ইন্দিপেন্দেন্ট স্পিরিট লোয়ননা লাইরিক লাইশু তম্নীংবগী য়াম্না খৌরাংবা মতৌশিং অসি মমা অমদি মপাগী পথাং-পুথাংগী ইথিলনি হায়দবা য়ারোই।

নোংমা মানা এসিষ্টেন্ট একাউন্টেন্ট জেনরেল ওফিসতগী হল্লকপদা বিল্ডিং অমদা থেৎতুনা লৈহৌবা “ইন্দিয়ান এসোসিএশন ফোর দি কলটিভেশন ওফ সাইন্স” (আই এ সী এস) হায়বদুতা নীংশিংদুনা লৈখি। ওফিস অদুদা সাইন্সকীমক করি তৌরিবনো হায়বদু য়াম্না খঙনীংখি। নোংমদি তাঞ্জা ফংদুনা মহাক্না একাউন্টেন্ট জেনরেলগী ওফিসতগী হল্লকপদা আই এ সী এস থারিবা বিল্ডিংদুদা চঙশিল্লুই। মফমদুদা ইন্সটিট্যুট অসিগী ফাওন্দর ডা. মহেন্দ্রলাল সরকারগী মচা অমৃটলাল সরকারগা উনখি। মতমদুদা অমৃটলাল অসি ইন্সটিট্যুট অদুগী সেক্রেটরি ওইরম্মী। রমননা মহাকসু মফমদুদা মাগী ওফিসকী অহাঙবা মতমদা রিসর্ছ তৌজগে য়াগদ্রা হংখি। অমৃটলালনা রমনগী ৱাদো হরাওনা য়াবীখি। মরমদি মতমদুদা ইন্দিয়াদা সাইন্সতা ঙাওবা মীগী মশীং য়াম্না লিক্লিবা মতমনি।

রমননা মাগী থবক্কী রুটিন ফাওবা শেম্লে। অয়ূক্কী পুং ৫.০০দা আই এ সী এসতা য়ৌবা, পুং ৯.৪৫দা মাগী লৈফম কাদুদা অমুক হল্লক্কনি। মাগী নুপী লোকসুন্দরিনা হল্লকপগা মাগী ইরুলুজনবা অমদি চান-থক্নবা থৌরাং অমত্তা শোয়দনবা হোৎনজৈ। পুং ১০দগী হৌবা মাগী ওফিসকী থবক নোংমতা কায়হন্দে। রমননা ওফিসতা হেক চঙলকপদা ঘড়ী য়াওদবা মীওই অমনা হৌজিক অয়ূক্কী পুং ১০ তারে হায়বসি চিংনদনা হায়বদা সেকেন্দদা নোংমা ফাদোক চোন্থরম্বদি য়াই। অদুবু অতাঙবনি। ওফিস লোইবগা আই এ সী এসতা নুংথিলগী পুং ৫.০০দা চঙগনি। ময়ূমদা নুমিদাংগী পুং ১০দা হল্লক্কনি। নোংমাইজিং নৎত্রগা ওফিস ওফ লৈবা নুমিৎশিংদা আই এ সী এসতা ফুল ৱর্ক তৌগনি। হায়রিবা রুটিন ৱর্ক অসি মাগী নুপী লোকসুন্দরিনসু চেকশিন্না ঙাক্নবা হোৎনখি। লোকসুন্দরিগী শিন্থাদি মপুরোইববু মতম চানা চাক পীজবা, ফিজেল অমোৎপা থেংনহন্দনবা শূজবা, তকথোক নান্থোকচবা। য়ূমগী শোয়বা য়াদবা কুপ্নোমশিংনা রমনগী রিসর্ছ ৱর্কতগী তাথবদি নত্তে। ইমুং অমা মায় পাকপা হায়বদি অসুম্না নুপা-নুপী থোং মান্নবসিনা ওইহল্লিবনি।

অসুম্না অকনবা রিসর্ছ চত্থরিঙৈ (১৯০৯) দা রমনবু রেঙ্গুনদা অমদি নাগপুর (১৯১০) দা ট্রান্সফর তৌবদগী মহাক্কী রিসর্ছ ৱর্কতা খরা অকায়বা পীখি। অদুবু লৈরু-লৈরুবা মফমদো কা মচা অমত্তা ওইরবসু তঙ্খাই অমনা মাগী লেবোরেটরি হেক্তা ওন্থোকপা মদুদা মাগী নুপীগা লোয়ননা রিসর্ছ তৌবা হৈনবা মীশক্লি। লাইবক ফবদগী রমন ১৯১৯দা কোলকটাদা ট্রান্সফর তৌরকখি। লোয়ননা মাগী আই এ সী এসকী লেবোরেটরিদা রিসর্ছ তৌবগী খুদোংচাবা ফংখি। রমননা লেবোরেটরি অদুদা মতম পূন্নমক্তা লোয়নখিবা মীশক অমা হায়রগদি শ্রী অশুটোস দেনি। মখোয় অনীনা আই এ সী এসকী লেব অসি ময়ূম মক্কুম নুংশিজখি। মখোয়না লেপ্তুনা হোৎনদুনা হায় ক্বালিটিগী সাইন্টিফিক পেপর ৩০ বুল্লেটিন ওফ দি ইন্দিয়ান এসোসিএশন ফোর কলটিভেশন ওফ সাইন্সকী মিংদা ফোঙবা ঙমখি।

রমনগী দিভেলপমেন্ট ময়ামসি উবদগী কোলকটা য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী সার অশুতোস মুখর্জিনা রমনবু কোলকটা য়ুনিভর্সিটিদা পুশিনবা পামখি। কুমজা ১৯১৩দা সার অশুতোস মুখর্জিনা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াদা রমনবু কোলকটা য়ুনিভর্সিটিগী এক্সপরিমেন্টেল প্রোফেসর ওইনা চহী ২ দেপ্যুটেশন থাবীরক্নবা চে ইখি। অদুবু গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী অসুম্না হল্লকই। "We find Venkataraman is most useful in the finance department, being in fact, one of our best man" ৱাফম অসিনা মরম ওইরগা ফাইনান্স দিপার্টমেন্ট অসিনা মাবু কৈদৌনুংদা থাদোক্নবগী ৱাফম খল্লরোই। শেংনমক্কী হায়রবসু সী ভি রমন অসি হৌজিক্কী রিজর্ভ বেঙ্কতা চত্থরিবা শেল থুমগী কাঙলোন অসি শেমগৎপদা মাগী ৱাখল য়াওরিবনি।

কুমজা ১৯১৭তা রমনগী মতিক খঙলবা অশুতোসনা রমনদা কোলকটা য়ুনিভর্সিটিগী পালিট চ্যের ওফ ফিজিক্স অসি ওফর তৌরম্মী। অদুবু মাগী একাউন্টেন্ট জেনরেলগী পোষ্ট অদুদি থাদোকপা তারম্মী। থবক অনীসিগী খেন্নবনা একাউন্ট ওফিসরগী তোলোপকী শেনফমগী শরুক ৩ থোকপগী অমরোমতমক ফংগদৌরি। চুম্নগী ওনরেরিয়ম খরা পীবগুম্বনি, অদুবু সাইন্সকী থবক অসিবু পাম্মনখিবনা মাগী থবক তোক্নবা ৱারেপ লৌখি। মরমদি মীওইবসি মহৌশাগী পোৎলমগুম মদোম হৌজবা হিংজবা ওইবা নৎত্রগা ঙাইবা য়ারোই খনখি। মীওইববু অতিয়া পক্না ৱাংহন্নবা অমত্তা ঙাইবা লম্বীদি সাইন্স খঙবনি হায়বা মানা চমম্নবা লৈতনা খনখি।

তোলোপ হন্থজরবসু অশুতোসকী ৱাফমদো রমননা হরাওনা য়ারম্মী। অদুবু প্রোব্লেম অমসু মায়োক্নখি। পালিট চ্যেরগী থবক তৌবা হায়বসিদা খ্বাইদগী লুবা কন্দিশন খরা য়াওরি। মদুদি মীশক অদো ফোরেন ট্রেনি ওইগদবনি হায়বসিনি। রমনবু ইংলেন্দদা চৎতুনা মতম খরা ট্রেনিং তৌরুনবা হায়নরকই। অদুবু মানা য়াখিদে। মমৈথংদা রমনবু পালিট চ্যের ওইবা য়ানবা বৃটিশ ইন্দিয়ানা শেম্বা থবক খনবগী কাঙলোন পূম্বা শেমদোকখি। বৃটিশকী চৎনবী শেমদোকপা ঙমখি হায়দুনা অশুতোসপু ঙসি ফাওবদা বেঙ্গোল টাইগর হায়না খঙনরি। ●

## ষ্টেটকী পাউ

# রিদমস ওফ মণিপুরনা ম্যুজিক দেমোষ্ট্রেসন পাঙথোকখ্রে




**ইম্ফাল, মার্চ ১১(ঐচ এন এস):** মহৈশঙশিংদা রিদমস ওফ মণিপুরনা মহৈরোয়শিংদা ঈশৈ নোংমাইগী লমদা তাকপী তম্বীবগী থৌরম চত্থরকপগী শরুক অমা ওইনা ঙরাং ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সগোলবন্দ তেরা লৌখাম লৈরক্তা লৈবা প্রোমিজিং একাদেমীদা ফোল্ক ম্যুজিক্কী মতাংদা তাকপী তম্বীবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে হায়রি।

থৌরমগী শরুক অমা ওইনা রিদমস ওফ মণিপুরগী ম্যুজিকসিয়নশিংনা নেশনল এৱার্দ ফংলকখ্রবা ম্যুজিক কম্পোজিসন দান্সিং দ্রমর্স অমসুং ষ্টেট সোং ‘সনালৈবাক মণিপুর’ মহৈরোয়শিংদা উৎখি।

রিদমস ওফ মণিপুরগী ফাউন্দর মেম্বর অমসুং সেক্রেটরি রাজকুমার সনাতোম্বনা লুচিংদুনা পাঙথোকখিবা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম অসিদা রিমস ওফ মণিপুরবু শক্তাকপগা লোয়ননা লুপ অসিগী পান্দমসু থমখি। রিদমস ওফ মণিপুরগী ম্যুজিসিয়নশিংনা মহৈরোয়শিংদা ম্যুজিক্কী মতাংদা দেমোনষ্ট্রেসন পাঙথোক্লবা মতুংদা একাদেমী অসিগী মহৈরোয় অমসুং ওজাশিংনা লাংদ্রেন দ্রম অমদি অতোপ্পা ম্যুজিকেল ইন্সট্রুমেন্টশিং শীজিন্নদুনা ঈশৈ নোংমাইগী থৌরম উৎখি।

রিদমস ওফ মণিপুরনা অসিগুম্বা থৌরম অসি মণিপুরদা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা মহৈশঙশিংদা পাঙথোক্তুনা লাকখিবনি। কুমজা ২০২৪গী নবেম্বরদা ইরোম মৈজ্রাওদা লৈবা জোভিএল বেল্লোনা ইংলিস স্কুল অমসুং হাওটালদা লৈবা এস ভি গেটৱেল স্কুলদসু ম্যুজিক দেমোন্সট্রেসন অসি পাঙথোকখি।

ম্যুজিক গ্রুপ অসি কুমজা ১৯৮৫দা লিংখৎখিবগা লোয়ননা জপান অমসুং ত্রিনিদাদকী ম্যুজিকসিয়নশিংগা লোয়ননা ইম্ফাল অমদি ত্রিনিদাদতা ম্যুজিক দেমোনষ্ট্রেসন প্রোগ্রাম কয়া পাঙথোকখ্রে।

কুমজা ২০১৩দগী হৌদুনা হোংকোং, সিঙ্গাপোর, জপান, লাওস, পোর্ট ওফ স্পেন, বেঙ্কোক অমদি সুরিননচিংবা মফমশিংদসু মায় পাক্না পার্ফোম তৌখ্রবা মতুং কুমজা ২০২৪গী ওগষ্টতা ভিয়েটনামগী হো চি মিনহ সিটিদা পার্ফোম তৌখি।

প্রোমিজিং একাদেমীগী চ্যেরমেন রতনকুমারনা রিদমস ওফ মণিপুরনা স্কুলশিংদা ম্যুজিক্কী লমদা পুক্নিং লৌশিং পীবগী থবক পীবা অদুবু থাগৎপগা লোয়ননা একাদেমী অসিদা অমুক হন্না ম্যুজিক দেমোনষ্ট্রেসন পাঙথোকপগী অপাম্বা ফোঙদোকখি।

রিদমস ওফ মণিপুরগী ম্যুজিসিয়নশিংনা লমদম অসিদা মহৌশাদগী লৈরক্লবা ফোল্ক ম্যুজিক অসিবু হৌগৎলক্লিবা নহা অমদি মহৈরোয়শিংদা তাকপী তম্বীদুনা লমদম অসিগী ইনাক খুল্লবা ফোল্ক ম্যুজিকপু য়োকখৎতুনা থম্বগীদমক একাদেমী অদুদা তল্লিবা মহৈরোয়শিংগী ইমুং মনুং অমদি থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। রিদমস ওফ মণিপুরনা মণিপুরগী নাৎকা মরী লৈনবা ম্যুজিক কয়াবু য়োকখৎতুনা ঙসিদি মালেমগী মফম কয়াদা লমদম অসিগী তোপ তোপ্পা ম্যুজিক্কী মহাও মালেমগী মীয়ামদা মপুং ফানা পীবা ঙম্লি।

# খুল ঙাকপা ফাবা য়ারোই হায়না ৱাকৎ খোঙজং চংশিনখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১১(ঐচ এন এস):** পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুনবা মণিপুরগী মশা লোয়শঙ অমা ওইরিবা অপুনবা নুপী খুন্নাই লমজিং মৈরা লুপ থৌবালনা শীন্দুনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী নোংপোক শেকমাই সিখোং কৈথেলদা খুল ঙাকপা ঈচাশিং ফাবা য়ারোই হায়না ৱাকৎ মীফম চত্থখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবী নুপী খুন্নাইগী সেক্রেটরি ওইনাম সুমতি অমদি কে ঐচ চাওবী কৌবী মৈরা পায়বী অমনা হৌজিক মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাং অসি কুকি টেররিষ্ট অমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্কী লান্মী অনীনা মৈতৈদা অতম্বনা চত্থরকপা লান অমরা হায়বা মমা ওইবীশিংনা চীংনবা ফাওরে হায়খি।

ইরমদম অসিবু ঙাক্লিবা খুল ঙাকপা ঈচাশিং থোক্লিংনা থোক্লকখিবা নত্তে। লৈবাক অসিবু ঙাকপীগদবা মরী লৈনবশিংনা ঙাকপীরক্তঃবদগী ঈরমদম অসিবু কন্নবগীদমক তঙায়ফদনা থোক্লকখিবশিংনি। খুল ঙাকপশিংবু করিগুম্বা হীরম অমত্তদা ফাবা পুনবা য়ারোই। মখোয়গীদমক লমদম অসিগী মমা ওইবী কয়ানা লেপ্লি হায়নসু ৱাকৎ মীফম অদুদা থল্লকখি।

# য়াওশং কুম্মৈগা মরী লৈননা ৱাফম খরা থল্লক্লি

**ইম্ফাল, মার্চ ১১(ঐচ এন এস):** থৌবাল নিংঙোম্বমদা লৈবা তোঙান তোঙানবা মৈরা পায়বী লুপ কয়ানা পুনশিন্দুনা শেম্বা নিংঙোম্বম অপুনবা মৈরা পায়বী লুপকী থৌমীশিংনা য়াওশং কুম্মৈগা মরী লৈননা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে।

মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা ৱারেপ কয়া লৌখিবগা লোয়ননা ৱারেপশিং অদু ঙাক্না চৎনবা চেকশিন ৱারোলসু থল্লক্লি। ঙসি লৌখিবা ৱারেপশিং অদুদা থৌবাল নিংঙোম্বমনা কোল্লিবা মফমশিংদা মৌ অমদি লৈশাবীশিংনা য়াওশংগী মীংদা শেনখায়-থুমখায়নচিংবা চত্থবা য়ারোই।

থৌবাল নিংঙোম্বমদা অতোপ্পা লমশিংদগী শেল খায়বা লাকপদা লুপ অসিনা শৌগৎলোই। থৌবাল নিংঙোম্বমদা য়াওশংগা মরী লৈননা হোলি পাঙথোকপা য়ারোই। লৈশাবীশিংনা য়াওশং থাবল চোংবদা অথিংবা থল্লে।

য়াওশং স্পোর্ট চহী অসিগী ওইনা পাঙথোক্তনবা খঙহনবগা লোয়ননা ঈশৈ, লীলা, হাওসি, লোট্টরি অমদি লম্বীদা থৌড়ী থৎপা য়াওনা য়াওশংগা মরী লৈননা চাকচা হৈজান্নবা অমদি ময়ায় কাবা চীঙ্গাক শীজিন্নদুনা লাংবদসু অথিংবা থল্লে হায়রি।

মণিপুরদা হৌজিক থোক্লিবা ঈরাং অসিনা মরম ওইদুনা য়েলহৌমী কয়াগী য়ুম মৈ থাদোকখিদুনা রিলিফ কেম্পতা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা অমদি মীশি মীনা কয়া মায়োক্নখিবা অমসুং য়েলহৌমীশিংগী পুন্সিদা শীংনরক্লিবা কয়া অসি য়েংলগা ৱারেপশিং অসি লৌদুনা অথিংবশিং অসি থল্লকপনি। মৈরা পায়বীশিংনা লৌরক্লিবা খোঙথাং অসি মীয়াম্না মতেং পাংবিয়ু হায়নসু লুপ অসিগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

# ‘জুগাই মধাই’ লীলাগী ৱার্কশোপ কম এগজিবিসন পাঙথোকখ্রে

**ইম্ফাল, মার্চ ১১(ঐচ এন এস):** গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা লৈবা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী কলচরেল ফঙ্কসন প্রদক্সন গ্রান্ট স্কিম (সী এফ পি জি এস)কী মনুং চন্না ‘জুগাই মধাই’ লীলাগী ৱার্কশোপ কম এগজিবিসনগী থৌরম অমা থা অসিগী ১দগী হৌদুনা পাঙথোকখিবা অদু ঙসি লোয়শিনখ্রে হায়না মোপ্লেট দেকোরেসন এন্দ কলচরেল সেন্টরগী সেক্রেটরি জি বসন্তগী চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা হায়, ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী য়ুম্নাম হুইদ্রোম থিয়াম লৈশাংখোংদা লৈবা মোপ্লেট দেকোরেসন এন্দ কলচরেল সেন্টরনা মিনিষ্ট্রি ওফ কলচরগী মখাদা থা অসিগী ১দগী ঙসি ফাওবা চত্থখিবা জুগাই মধাই লীলাগী ৱার্কশোপ কম এগজিবিসন অসি মণিপুরী হং-লাইগী তাঙলবা আর্ট ফোর্ম অসিবু য়োকখৎতুনা থম্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবনি।

সেন্টর অসিগী দিরেক্টর জি বসন্তগী মীৎয়েং মখাদা পাঙথোকখিবা থৌরম অসিদা এল থম্বালঙৌ, জি জুগেশ্বর, পি প্রবিলা, ঐচ বুধি, এল খামা মৈতৈনা তোঙান তোঙানবা আর্ট ফোর্মশিংদা থৌরম অসিদা শরুক য়ারিবা ট্রেনি ২০ লোমদা তাকপী তম্বীখি হায়রি।

থৌরম অসিদা সেন্টর অসিগী প্রসিদেন্ট জি তোম্বীনা থৌরম মপু, থবক্তগী পোত্থারবা হেদ মাষ্টর এল বিহারিনা অথোয়বা মীথুংলেন অমদি থবক্তগী পোত্থারবা এ এস আই এল রূপচন্দ্রনা ইকায়খুম্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

# মণিপুর রিভরগী মথক্তা শারিবা সস্পেন্স ব্রিদজ য়েংশিনখ্রে



**ইম্ফাল, মার্চ ১১(ঐচ এন এস):** কুম্বী এসেমব্লি কন্সটিট্যুসনগী পোম্বীখোকতা মণিপুর রিভরগী মথক্তা শারিবা সস্পেন্সন ব্রিদজ ভারত রত্ন নেশনল এৱার্দ ফংলবা সোসল এক্টিভিষ্ট অমসু ওইরিবা ৱাঙ্খেম সোভানা লমদমদুগী মীয়ামগা লোয়ননা য়েংশিনখ্রে।

বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্ট অমদি ককচিং দিষ্ট্রিক্ট ফাওনফম ওইরিবা পোম্বীখোককী মণিপুর রিভর মথক্তা শারিবা সস্পেন্সন ব্রিদজ অসিগী উপাক্কী শরুকশিং ফীভম শোকচিল্লকপনা স্কুলগী মহৈরোয়শিং য়াওনা মীয়াম্না চখোক চৎশিন তৌবদা চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্নদুনা লাকখিবনি।

সস্পেন্সন ব্রিদজ অদুগী ফীভম নোংম-নোংমগী শোকচিল্লকপনা ৱাঙ্খেম সোভানা লুচিংদুনা থোং অদুগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম য়েংশিনখিবনি। মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টনা য়াওশঙ কুম্মৈ লোয়দ্রিঙৈদা থোং অসি শেমজিন্দ্রবদি লমদম অদুগী মীয়ামগা লোয়ননা থোং অসি শেমজিল্লগনি হায়না সোভানা ফোঙদোরকখ্রে।

থোং অসি মতম কুইনা য়েংশিনবীদনা অমদি শেমজিনবীদনা লাকপদগী থোং অসিগী ফীভম নোংম-নোংমগী শোকচিল্লকখিবনি। পোম্বীখোক হায়রিবা খুঙ্গং অসি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী চীংগী খুল কয়াগা য়াম্না নক্না লৈবা মরম্না মতম অমদা হেক্তা ঈরাং থোক্লকপা মতমদা মীয়াম্না থৱায় হিংনবা লান্থোক লানশিন তৌনরিবা ব্রিদজ অসি অথুবদা শেমজিনবীনবা লৈঙাক্কী পুক্নিং চীংশিল্লক্লি।

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।